ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, নবেম্বর ১৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৩০শুবা মশীং

## নম্বুল তুরেল মপান

### শানৈ-য়ুনৈফম ওন্থোকপগী লাইসেন্স পীরব্রা

পাওনা কৈথেলগী দুকান পরেং, পাওনা ইন্টরনেসনল মার্কেট পরিংগা নম্বুল তুরেলগী মরক্তা লৈরিবা লম্বী মশাংসি নুমিদাং অমসুং অহিংগী মতমদা গাড়ী মচা অমসুং অচৌবদা লাকপা য়ুথকপা, য়ুঙাওবশিংগী শানৈ-য়ুনৈফম ওন্থোকপগী লাইসেন্স পীরব্রা? লম্বী মতেকসি থোং নম্বোনবী মনাক্কী খ্বাই ব্রিজ অনৌবগী থোংখোঙদগীনা কৈশাম্পাৎ থোংখোঙ ফাওবগী মরক্তা লৈবা লম্বীনি। লম্বীসি পাওনা কৈথেলগী গভর্ণর রোদ কুম্না মী কুংলবা পাওনা কৈথেল পরিংদা ৱান-ৱে ওইরবসু ট্রাফিক কঞ্জেসনগী চাং খরদা ওইরবসু হন্থহনবদা অচৌবা মতেং ওইরিবনি। লম্বী অসিগী নম্বুল তুরেল মপাল্লোম থংবা শরুক্তা জি আই পাইপশিং শীজিন্নদুনা নীংথিজনা খাজিল্লবনি। খাজিল্লিবসিগী মখোঙদা গন্না কয়া খিন্দুনা লৈ-শু থারিবনি। পূম্নমকসি কোয়লাস থারবা লম্বীসি য়াওনা নম্বুল তুরেলবু মোৎশিনহন্দনা তুরেলসিগী মহৌশাগী শক্তম কন্নবগীদমক মরী লৈনরিবা লোয়শঙশিংনা পায়খৎনরকপা থবকশিং ওইগনি অদুবু হৌজিক লম্বী মতেকসিদা নুমিৎ হেক তাবদগীনা নোংঙাল্লমদাই ফাওবা শানৈ-য়ুনৈবা, গাড়ী মচা অমসুং অচৌবদা লাকপশিংনা ঈশৈ হৌনা থারগা লম্বীসিদা জগোয় শাবা, থাবল চোঙবা, পুল্লপ-পুল্লপ য়োমশিন্দুনা ফমজিল্লগা অথিংবা পীদবা বার অমসুং রেষ্টুরেন্টশিংগুম্না য়ু থকফম ওন্থোরক্লিবসি কুইরে। লৈবাক্কী হরাও-কুম্মৈ মতমদতা লমহেন-তুহেনবা নহা খরখক্না ঙাওশিন ফৈজিন্নফম ওইরম্বদগী হৌজিক্তি নিতিগী রুটিন ওইনা চত্থরক্লে। মসিবু হুমাং তাবা থবক শুনীংদনা শেন্দোং পাম্বা খরনা পরিংসিদা য়ুঙাং-য়ুঙৌ য়োনখৎনরকপদগী ওইগদ্রা? য়ু য়োনফমশিং অদুদা চঙশিল্লগা হংলুবদদি মখোয়দি নুমিৎ তারকপগা থোং লোল্লি। লুপা ১০/২০ খায়বা/নিবা য়াম্না লাকমনবনা দুকান হাংবা ঙমদে। মখোয়দা হুন্নবা ফম্বা তারে। পীহৌদ্রগনা চাইখাইরমগে, ফাগে-পুনগে, ষ্টেসনদা চৎসি হায় হায়দুনা খুন্নকই। নুমিদাং অথেংবদা তম্নলাই, শরোই-ঙারোই, অহিংদা চাক্তাবা লংজা-মকু ওইররিবা মীওইশিংদুদি থক্নবা য়ু, চানবা অচাপোৎ, ঈশিং বোটলশিং মখোয়না পুরগা লাকচবনি হায়দুনা খুন্নকই।

অদুবু লম্বী মতেকসিদা লৈরিবা য়ুঙাং-য়ুঙৌ য়োনবশিংসিদি মখোয়গী য়ুগী দুকানশিংসিদা অহিং লেক্তুনা ময়ূম ওইনা লৈবনা অয়াম্বনি। অদুনা মখোয়না খুন্নক্লিবা পাউখুমশিং অসি থাজবা য়াগদ্রা? য়ূমথোঙ অয়াম্বনা য়ু শুংলগা য়োল্লিবা কখুলোংগা য়ু য়োনফম খরসিগনা লম্বী মতেকসিদা পরেং শানা পুমথন থল্লগা লৈরিবনি। হৌজিক লম্বী মতেকসিদা নুংতিগী উরিবা কুম্মৈশিং অসিগী মনুংদা লম্বী ময়ায়দা জ্বার শান্নশিল্লকপা, তঙাইফদবদগী ফাওরগা চৎলুবশিংনা থৈদোক্লগা চৎনরিবনি। অদুবু মসি পূম্নমক্কী অয়াবা কনানা পীবনো? নুমিৎ তাখ্রবদি লম্বীসিগী মপু লৈত্রবরা? য়ুঙাং-য়ুঙৌ য়োনবা, থকপা থিংগদবা মরী লৈনবা কাঙবুসু য়ু য়োনফমশিংসিদগী নাক্কথেং লাকপদবুদি গাড়ী মনুংদগী লিচৈ উৎলগা 'চঙনরো, থেংঙে' হায়দুনা হায়রম্বা য়াওই। অদুবু মখোয় চৎখ্রবা মতুংদদি লম্বী মতেকসি শঙ্গু-শঙ্গু য়োমশিন্নদুনা য়ুথকফম, য়ুঙাওফম ওই। হায়রিবা থৌদোকসি নোংমা ফাদোক্কী নত্তে। অদুগা থংননা লৈরিবা কখুলোংদগী লৌরগা য়োনবসু নত্তবা য়ু য়োনফমশিংসিনা য়োল্লিবা সেকমাই অমসুং ফয়েংনচিংবগী য়ুঙৌশিংসিনা নুমিদাং অমম্বদা নোংথক্তগী পাইরকপা ওইরমগদ্রা? সিক্যুরিটিনা খুরক হাংদনা লৈরিবা মফম কয়া লান্থোক্লগা পাওনা কৈথেলগী নম্বুল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বানগী য়ু য়োনফমশিং অসিদা মতৌ করম্না য়ৌরক্লিবনো? লম্বী পরিংসিদা অহিং নোংশোইবা চাবা-থকপা তৌরিবা ময়ামসিনা শীজিন্নরম্বা লিক্লি, চেরং, দিস্পোজিবল গ্লাস, ঈশিং বোট্টল, শা-ঙা অমসুং অচাপোৎশিংগী লুখাক-অরেমখাকশিংনা নম্বুল তুরেলদা লোইনা লংথরম্বগী থৌদৌ অসিসু অচুম্বা ওইগদ্রা? লোয়শঙ খরনা, লন্নাই লূপশিংনা 'সেভ নম্বুল' হায়দুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংবু অরেম্বদা তাহনবগী থৌওং ওইরোইদ্রা? মরম অসিনা হায়রিবা মীওইশিং অসিবু ফাবা-পূনবা তৌদুনা ৱারক-ৱাতেমগদবা কাঙবুদি মখোয়না থবকসি তৌরুরগদি য়ুগী দুকানশিংসি য়ু শিৎলরোই। য়ু শিৎত্রবদি নামৈ শেল নিবা য়াররোই হায়দুনা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোকখ্রবনিনা নম্বুল তুরেল কন্নিংবা, কন্নবগী থবকসু পায়খৎলক্লিবা কাঙবুনা করি তৌবা য়াবগে খন্নহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

১) *"থাপ্পরিবা"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"মপারি লৈরাংতোন্দা শাৎপা শিংলেনতোন্দা পোকপা উনৌ কোন্দেল্ কোন্না হুন্ শলেন্ লাইফাও থিনবা, খোইয়ম লাইপোক শংশংবা চেংলৌ শক্না হেনবা, পুনুং লিন্না ঙানবা, খোইয়ম লাইবু নীংবগী কোলোই মমিংথোংদি বৃষকেতু তৌনা কৌএ। বৃষকেতু ভক্ত ৱারী লমদাংশাংবু হয়া লাওনা শৈথিরক্লে।"** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোকপনো?

৩) বৃন্দাবনলাল বর্মাগী **"মৃগনয়নী"** হায়বা উপন্যাষ অসি মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) *"সীতা বনবাস"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) *"মহাভারতকী শকুনি অমসুং শকুনিগী ৱাশক"* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# তিন্থ্রোক য়োকপদা অকক্লবা কাঙলোন হায়বা অমা লৈতে

**ডো: এম থোইথোই সিংহ**



মখল খূদিংগী পান্থী থাবদা ষন্থী-ষণয়ুংগী হার খরসি শোয়দনা হাপ্লবা হায়নরকই। ষণ লোয়বগী চাংসি য়াম্না হন্থরে। ফক্লাং ৱাই তৈনবা ফাওবা ষন্থী থিবা ফংদ্রে হায়বা য়াই। পান্থীশিংগী লেমখাক, নাপীশিংগী, কেল্লকপা উনা-ৱানা, চান-থক্লবা অমসুং হৈ-রা শুংখিবগী লেমখাক কয়াবু মচি অমদা কাঙলোন চুম্না পৈশিল্লগা পথহন্দুনা কম্পোষ্ট শেন্নগা হার ওইনা শীজিন্নে, লৈবাক্কী লৈশা ফগৎহল্লি। অদুবু কম্পোষ্ট ওইনবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা থা ৪-৫ দি শোয়দনা চঙই।

লৌউ বিজ্ঞান্না চাওখৎলকপগা লোয়ননা পথহনবদা মতম চঙলম্বা পোৎশকশিং (মথক্তা পঞ্জখ্রিবা) অসি অফবা মখলগী তিন্থ্রোকশিংদা পীজথোক্তুনা মথীবু হার ওইনা শীজিন্নরে অমসুং ফার্ম কয়া অমবু লূ-নান্না থম্বদসু মতেং ওইনরে।

তিন্থ্রোক মথীনা লৈবাক লৈশাবু লৈহাও কাহল্লি। মসিদা নাইট্রোজেন, পোটাসিয়ম, ফোস্ফোরস, কেলসিয়ম অমসুং মেগ্নেসিয়ম চাং ৱাংনা য়াওই। লৈহাও চেল্লবা অফবা লৌফম-ইস্খোল অমগী মথক থংবা লৈরোন্দা য়াওরিবা নাইট্রোজেনগী শরুক মঙা, পোটাসিয়ম শরুক তরেৎ, কেলসিয়ম শরুক অমা মখায় তিন্থ্রোক মথীদা য়াওই। তিন্থ্রোক মথী হাপ্পনা লৈবাক মনুংদা নুংশিৎ ফাওদোক ফাওজিন্দা মতেং পাঙই, লৈবাক ফগৎহল্লি। অহেনবা ঈশিং চিথহনবদা মতেং পাঙই, পান্থীনা শীজিন্নগদবা মথৌ তাবা ঈশিং ফাজিনবা হেন্না ঙমহল্লি।

চাং ৱাংনা অমসুং নেম্না মথৌ তাবা পান্থীগী মচি ওইবশিং তিন্থ্রোক মথীদা য়াওবদা নৎতনা পান্থীনসু ইরায় লায়না ফংবা ঙম্মী। মসিগী মথক্তা ইনজাইম অমসুং প্লান্ট গ্রোথ হোর্মোনশিং ফাওবা য়াওবসিনা লৌমীশিংনা তিন্থ্রোক য়োক্লিংবগী চাং হেনগৎলক্লি।

তিন্থ্রোক্কী হার (মথী) ওন্থোকপা য়াবা পোৎলমশি ঃ গ্লাস, নূং, সেরামিক, প্লাষ্টিক অমসুং মখল কয়াগী অকনবা ধাতুশিং নৎতবা পোৎলম পূম্নমক তিন্থ্রোক্না চাবা ঙম্মী অমসুং হার ওন্থোকই। পোৎ লম খরদং পল্লবদা –

১) পান্থীগী লেমখাকশিং,

২) খোইদোক্লবা নাপীশিং,

৩) য়েঙ্খাং নাপী কয়াগী লেমখাক,

৪) উনা-ৱানাশিং(খোমজিল্লবা),

৫) হৈ-রা অমসুং চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী লেমখাকশিং অমসুং

৬) মচি-মচিদা চাইথোরক্লিবা পোৎলম কয়া অসিনচিংবা।

তিন্থ্রোক মখল ঃ অফংবা তিন্থ্রোক মখল অমা হেক্তা শীজিন্নবদা কান্নবা ফংদে, য়াদে। মরমদি ঐখোয়গী ইরমদমগী তিন্থ্রোকশিংদি লৈনুংদা চঙদুনা লৈগনবনা হাপচিল্লিবা পোৎলমশিং চাথোক্তে। আফ্রিকান আর্থৱার্ম হায়না খঙনবা Eudrillus enginae, রেড ৱার্ম হায়না খঙনবা Eisenia foetida নৎত্রগা কম্পোষ্টিং ৱার্ম হায়না খঙনবা Peronyx excavatur শীজিন্নবা য়াই। নৎত্রগসু মখল অহুম্মকপু পুনশিল্লগা শীজিন্নবসু য়াই। মণিপুরগী অয়াম্বা মফমশিংদসু ফংনরে। অদুমকপু খ্বাইদগী হেন্না ফবদি Eudrillus enginae নি। মচীঞ্জাক য়াম্না চাদুনা হার হেন্না পুথোকই। অতেনবা মতম খরদা মচাসু য়াম্না পুথোকপা ঙম্মী।

**থম্ফম** ঃ অঙৈংবা, নুংশিৎতা ঈশিং মনিল ৱাংবা মফম উরুম ওইনা তৌবা মফমদা তিন্থ্রোক য়োকফম শেম্বা ফৈ। শা-ষণগী শঙ্গোল অমসুং মী লৈনদ্রবা, মল্লবা য়ূমদসু তিন্থ্রোক য়োকফম ওন্থোকপা য়াই। নৌনা শাগদবা ওইরবদি ইনা কুপ্পা অঙৈংবা মফম ওইহনবা ফৈ। মসিনা ঈংহনবতা নৎতনা নোং অমদি নুংশাদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি।

**য়োকফম** ঃ বিলাটিমাটি অমসুং চেক্লা শেম্বা মফম ওইহল্লবসু য়াই নৎত্রগা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীবা থাংদোক-থাংজিন তৌবা য়াবা প্লাষ্টিক/পোলিথিন্না শাবা ওইরবসু য়াই। শাগদবা ওইরবদি চেক্লোন অমত্তনা খাজিনবা ফুট অনী মখায় ৱাংবা, অহুম পাকপা অমসুং অশাংবদি মথৌ তাবা অমসুং মফমগী মতুং ইন্না শেমগনি।

উনা-ৱানা, ফত্ত-হাওদিশিং হাপচিনবা ঃ হাপচিনগদবা পোৎলমশিং ষন্থি-ষণয়ুং খরগা য়ানশিলহৌবা ফৈ। খরা চাউবা পান্থীগী শরুক ওইরবদি খরা কুপথনা ককথৎকনি। ঈশিং ঈনিলগী চাং চাদা ৬০গী মথক্তা কৈদৌঙৈদা হেনগৎহল্লোই, ৪৫ দগী তাথহল্লোই। শম্না হায়রবদা হার ওল্লবা শরুকশিংদু খূৎনা পায়শিনবদা খূরক্তগী ঈশিং ইথোক থোক্তবা ওইগনি।

অনৌবা মফমদা তিন্থ্রোকশিং হাপচিনবদসু মচীঞ্জাক ওইগদবা পোৎলমশিংদুগী মরক্তা হাপচিন্দ্রবসু মথক্তা থম্বদা মফম চানা লৈখিগনি। চাং মান্ননা শন্দোকখিগনি। মিটর অমা শাংবা, মিটর অমা পাকপা অমসুং মিটর মখায় অমা ৱাংবা মফমগীদমক তিন্থ্রোক কিলোগ্রাম অমা হায়বদি তিন্থ্রোক লিশিং অমমুক মথৌ তাই, অদুমকপু মথৌ তাই হায়দুনসু তিন্থ্রোক য়োকপা হৌবদা মথৌ তাবা পূম্নমক লৈরোই, খরখক্তনা হৌদোক্কনি। য়াম্না থুনা মচা পুথোকপা মরম্না য়াম্না লৈবগী মথৌ তাদে। কিলো অমা-অনীখক লৈদুনা হৌদোকপা য়াই।

**ঈশিং পীবা** ঃ ঈশিং ঈনিল ৱাংহনবা ফৈ। ঈশিং ঈনিলগী চাং চাদা ৬০ দগী হন্থহল্লোইদবা মরম্না মথৌ তাবগী মতুং ইন্না ঈশিং খরা খিকপা য়াই অদুমকপু হৈজিনবদি য়াদে। ঈশিং খরা হেনখিবা মাল্লবদি ষন্থিচে অমসুং শীজিন্নবা য়াদ্রবা চে হাপচিন্দুনা ঈশিংগী চাং হন্থহনবা য়াই। হার লৌথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবদি ঈশিং চাইররোই।

**হার লৌথোকপা** ঃ চয়োল খূদিংগী হার লৌথোকপা য়াই। মথক থংবা অপৌবা চাবা লোইদ্রিবা খরদু নাকন্দা থৈদোক্লগা খূৎনা কোৎখৎকনি। উরুম ওইবা মফম অমদা পৈশিনগনি। কোৎখৎপদা তিন্থ্রোক য়াওরকপা মতাং য়ৌরক্লবদি চাবা লোইদ্রিবা মফম য়ৌরে হায়না খঙবগা লোয়ননা কোৎখৎপা লেপকনি।

তিন্থ্রোক য়োকপদা অকক্লবা কাঙলোন হায়বা অমা লৈতে । মফম, মতম অমসুং শূবীনবা মীওইগী মশীংগী মখা পোন্না চানবা মওংদা তিন্থ্রোক য়োকসি হায়বা ৱাফমসি থমজনীংই। ●

# কেজ কলচরগী থৌওং শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপা

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঈলনা বোক্সকী মওংদা ইকোই কোইনা খাজিন্দুনা পাৎ, তুরেল অমদি রিজার্ভরগুম্বা ঈশিংদা ঙা য়োকপগী থৌওং অদুবু কেজ কলচর হায়না কৌই। হায়রিবা বোক্সশিং অসি তাওহন্নবা প্লাষ্টিক্কী ড্রমগুম্বনা পরেং নাইনা পুনশিন্দুনা শেম্বা য়াই অদুগা লেংদনবা উ-ৱা য়ুংদুনা নৎত্রগা অরূম্বা পোৎশকশিং থমদুনা ঈলশিং অদু পুনশিনগদবনি। বোক্সকী পাক চাওবসি মথৌ তাবগী মতুংইন্না খেন্নবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মিটর তরুক শাংবা মিটর মরি পাকপা অদুগা মিটর মরি লুবা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চান্নবা কেজনি। হায়রিবা কেজশিং অসি ঈলনা মায়কৈ মরিমক কুপশিনগনি অমদি মথক থংবা শরুক্তা হাংদোক হাংজিন য়াবা মফম অমা থম্বীগনি। অসিগুম্বা কেজ ময়ামশিং মফম অমদা পরেং পরেং শম্নমা শেম্বীবা য়াই অমদি মী চৎপা য়ানবা খোঙ লম্বীশিং মথক্তা শেম্বীগনি। কেজশিং অসি খুদোংচাবগী মতুংইন্না কোইরোক কোইনা শেম্বা য়াই নৎত্রগা চিথেক নাইনা শেম্বা য়াই।

কেজ কলচরগী কান্নবা খরা থমজগে :-

১) ঙা য়োকপগী ওইনা শীজিন্নদবা ঈশিং খুদম ওইনা হায়রবদা পাৎ, তুরেল, রিজার্ভরনচিংবশিংদা ঙা য়োকপা য়াহনবা, মসিদসু নত্তনা পুখ্রি অমদি ঈশিং খরা য়াম্না লৈবা মফম অমদা হেক্তা ওইরবসু য়াই।

২) হান্ননা লৈজরম্বা ঈশিংদা য়োকপনিনা হৌদোকপদা শেল য়াম্না চঙদে।

৩) য়াম্না লায়না ঙা ফাদোক ফাজিন তৌবা য়াহল্লি।

৪) ঙাদু কয়াম চাওরে অমদি করম তৌরি হায়না য়েংবদা খুদোংচাহল্লি।

৫) পুখ্রিদা ওইরবদি কেজ কলচরগী মপান্দা লৈরিবা ঈশিংদসু অতোপ্পা ঙাশিংসু য়োকপা য়াই।

৬) স্পোর্টস ফিশিংগুম্বা রিক্রিএসনেল ফিসরিজ পাঙথোকপদসু খুদোং চাহল্লি।

৭) ঙা য়োকপা মতমদা মী য়াম্না চঙদ্রবসু য়াই।

৮) থবক ফংদবা মীওই কয়াদসু থবক পীবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ।

৯) ঙা ফাবা য়াদবা মতমদসু ঙা ফংহন্দুনা অহেনবা শেল ফংহনবা ঙম্মী।

কেজ কলচরগী খুদোংচাদবা খরা অমুক থমজগে:-

১) অফবা অমদি মচল শুনা য়াওবা মচিঞ্জাক পীজবীগদবনি।

২) ওক্সিজেন ৱাৎপগী খুদোংচাদবা তোয়না থোকহল্লি।

৩) কেজ শেম্বদা খারিবা ঈল অদু মোৎশিল্লকপগী খুদোংচাদবসু তোয়না থেংনগল্লি।

৪) লায়না-তীলনা য়াম্না নাগল্লি অমদি করিগুম্বা নাবা য়াওরক্লবদি য়াম্না থুনা শন্দোকল্লি।

৫) অতোপ্পা মীনা হুরানবদসু লায়না থোকই।

৬) চাবা লোইহৌদবা মচিঞ্জাক অমদি ঙাগী অমাং-অশোই ময়াম্না ঈশিং ফৎহন্দবা অমদি লৈহাও কা হেন্না লৈহনবগী খুদোংচাদবশিং থেংনগল্লি।

৭) অতোপ্পা শাশিং অমদি উচেকশিংনা চাদনবা চেকশিনবগী তঙাইফদবসু লৈ।

৮) করিগুম্বা অশোয়বা য়াওবদগী ঙাশিং কেজদগী নান্থোকখিবসু থোক্তবা নত্তে।

৯) কেজ মনুংদা ঈশং অমদি অতোপ্পা জীব কয়া লৈরকপসু তোয়না থেংনগনি।

কেজ কলচর তৌবা মতমদা য়োক্কদৌরিবা ঙা অদু করম্বা মখলগী ঙা য়োকপীগনি হায়বদু হান্না ফজনা খনবীগদবনি হায়বদি মশা খরা কনবা, খরা থুনা চাওগনবা, পীজরিবা মচিঞ্জাক অদু ফজনা চাগনবা, লায়না তিলনা তাগন্দবা ঙাশিং খনবীগদবনি।

য়োকপীগদৌরিবা ঙাগী মশীংদি ঙা মখল খেন্নবগী মতুংইন্না খেন্নগনি। মিটর অমা পাকপা,



মিটর অমা শাংবা অমদি মিটর অমা লুবা ঈশিংগী মফমদগী ঙা কিলো ২০দগী ৪০ ফাওবা ফংনবগী হিশাবতা ঙা থাদবীগদবনি।

ঙাদা মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা ঈশিংদা তাওবা মখলগী মচিঞ্জাক পীজবনা খুদোংচাবা হেল্লি। পীজবীবগী থৌওংদি খূৎনা অদুম চাইথোকপীরবসু য়ারে নৎত্রগা মচিঞ্জাক পীজনবা ত্রেগুম্বা পাত্র অমদা হাপ্লগা পীজবীবসু য়াই। করিগুম্বা কেজ অমদা ঙা কিলোগ্রাম ১০০ রোম লৈরবদি নোংমদা মচিঞ্জাক কিলোগ্রাম অহুমরোম পীজবীগদবনি। কেজগী মায়কৈ খুদিংমক্তা খারিবা ঈলশিং অদুদা ঈশং অমদি অমোৎ অকায় কয়া নপশিল্লকপদু খরদা ওইরবসু হন্থহন্নবা ওমনিভরস ওইবা ঙা মখল খরা য়োকপীবসু য়াম্না কান্নগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা তুংহনবীগুম্বা ঙাশিং অসি কেজ কলচরদা য়াম্না চান্নবা ঙা মখলনি।

লমদম অসিদা ঙা য়োকপগী ওইনা শীজিন্নদবা ঈশিং ফজনা লৈবা মফম কয়া লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা লোক্তাক পাৎ অমদি অতোপ্পা পাৎ কয়া লৈরি। মসিদসু নত্তনা দাম কয়া শেমগৎতুনা রিজার্ভর কয়া অমসু লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা খুগা রিজার্ভর অমদি মফৌ/মপিথেল রিজার্ভরনচিংবা কেজ কলচর ফজনা তৌবা য়াবা মফম কয়া লৈরি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা কেজ কলচর ফজনা তৌদুনা ঙা পুথোক্লবদি লমদম অসিগী ঙাগী ঙাথোক অসুক্কী মতিক হেনগৎহনবা ঙমগনি অমদি মপান লমদগী ঙা পুশিল্লক্ত্রবসু ঐখোয়গী চাবা কোন্ননবা ঙা পুথোকপা ঙমগনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক হৌজিক কেজ কলচর তৌরিবা ঙামী খরনা হায়রকপগী মতুংইন্না মফৌ রিজার্ভরদা কেজ কলচর পাঙথোক্তুনা ঙা খরমখৈদি পুথোকপা ঙল্লবসু ঙামীশিংগী শেল লৈতবনা মরম ওইদুনা কেজ কলচরদা য়োক্লিবা ঙাশিংগী মচিঞ্জাক ফজনা পীজবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মিৎয়েং চঙবীদুনা কেজ কলচর অসি পাকথোক-চাওথোক্লবা হোৎনবীরবদি লমদম অসিগী ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং অমা কেজ কলচরনা লৌবা ঙগনি। ●